ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


সি এস আই আর-এন ই আই এস টি, ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি, লম্ফেলপাৎনা পুথোকপা হেন্দ সেনিটাইজর সেনিয়র প্রিন্সিপল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা দি জি পি, এল এম খৌতেদা খুৎশিন্নখিবা



লামায় ১

লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্টরনা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল তুরেল ভিয়ুগা খুৎশম্নদুনা ইশোক্তা লৈবা শেন্বী লৈমা ওর্ফান হোমদা চান থক্নবাপোৎলমশিং তেঙবাংখিবা



লামায় ৭

দ্রগকা কোন্ননা ফাখিবা লুখোসৈ জৌবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেন্থাগী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফম্বা



লামায় ৭

সী এ এফ এন্দ পি দি অমসুং লো মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা য়াইস্কুল এ সীগী তোঙান-তোঙানবা ৱার্দশিংদা লৈবা অহল ওইরবশিংদা ওল্ড এজ পেন্সন কার্দশিং য়েন্থোকখিবা




লামায় ৬


Vol. 44, Issue No. 264 | নিংথৌকাবা, পোইনুগী ৭ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, December 21, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## মণিপুরগী ওইনা চহী অসিদা খ্বাইদগী ঈংখিবা নুমীৎ দিসেম্বর ১৯না ওইরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী ওইনা চহী অসিদা খ্বাইদগী ঈংখিবা নুমীৎ হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা ওইখ্রে। নুমীৎ অসিদা ঈংবগী চাং অসি দিগ্রী সেলসিয়স ২.২৯ ওইখি।

মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টকী ক্লাইমেট চেঞ্জ সেলদগী ফংবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌখিবা দিসেম্বর ১৯দা মণিপুরদা খ্বাইদগী শাবগী চাংনা দিগ্রী সেলসিয়স ২৭.৭৭ অমসুং খ্বাইদগী ঈংবনা দিগ্রী সেলসিয়স ২.২৯ ওইখি। নুমীৎ অসিদা খ্বাইদগী ঈংবা দিষ্ট্রিক্তসু সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টনা ওইখি।



হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মণিপুরদা ঈংবগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লি। ষ্টেট অসিদা ঈংবগী চাং অসি দিগ্রী সেলসিয়স ৫ দগী ৭ ফাওবা ওইরকখিবনি। অদুবু হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ২.২৫ কী চাংদা ঈংবা সেল অসিনা থেংনখিবনি। থা অসিগী অনিশুবা চয়োলদগী হৌরগা ষ্টেট ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি দি অথুবদা হাংহনগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা মখলগী অনাবশিংনা লায়েংনবা হোৎনবদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্ননবা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অমসুং জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হোস্পিটালগী ও পি দি অথুবা মতমগী মনুংদা নৌহৌননা অমুক হাংহনগদৌরি।




হীরমসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউনা হায়, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাংনা চ্যের লৌদুনা ঙরাং ষ্টেট কোভিদ কোওর্দিনেসন মীটিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং অমসুং লৈখিদবগী মশীং হন্থরক্লিবা অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা রিমস অমসুং জেনিমস হোস্পিটালগী ও পি দিশিং অথুবদা হাংহন্নবা লেপ্পখিবনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### খঙহঞ্জবা

*হুইয়েন লানপাউবু পাবিরিবা নুংশিজরবা রিদরশিংগীদমক্তা খুদোল ওইনা হৌখিবা নুমীৎ খরনি বেঙ্গালি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা পাউচে অনীমক পুন্না মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাকপা অদু ঙরাংদগী হৌরগা বেঙ্গালি অমসুং মীতৈ ময়েক পাউচে তোখায়না পুথোকচরে। ইকাই খুম্নজরিবা হুইয়েন লানপাউবু পাবিরিবা রিদরশিংনা বেঙ্গালি অমসুং মীতৈ ময়েক পাউচে অসি তোঙান তোঙান্না ফংবীরগনি। মসিগীদমক পাউচে অসিবু পাবীরিবশিংনা ৱারৌবীদনবা হুইয়েন লানপাউগী মায়কৈদগী নোল্লুক্না খঙহঞ্জরি।*

### সেনিটাইজর খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): সি এস আই আর-নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (এন ই আই এস টি), ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি, লম্ফেলপাৎনা পুথোকচবা অলকোহোল বেজ হর্বেল হেন্দ সেনিটাইজর য়ুনিট ৬৪ ঙসি মণিপুরগী দি জি পি, এল এম খৌতেদা সি এস আই আর-এন ই আইএস টিব্রাঞ্চলেব, লম্ফেলপাৎকী সেনিয়র প্রিন্সিপল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা খুৎশিন্নখ্রে। মণিপুরদা কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ওইনা ইন্সটিট্যুট অসিনা পুথোকপা হেন্দ সেনিটাইজর খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, মণিপুর ই প্রিয়োকুমার আই পি এসসু শরুক য়াখি হায়না ডা. বিরকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

### ৱিমেন ওফ দি য়র লাউথোক্লে : সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএন এস): ময়াইকাবা দ্রগকী লাম্থেংদা থৌনা লৈনা থবক তৌবগীদমক অমদি গেল্লেন্ট্রি এৱার্দ হন্দোকখিবগীদমক থৌনাওজম বৃন্দাবু ৱিমেন ওফ দি য়র লাউথোক্লে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই), মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## পুং ২৪গী মনুংদা কেস ৪৮ হেনগৎখ্রে, মীওই ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনবগী চাং হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা হন্থরক্লবসু পুং ২৪গী মনুংদা কেস ৪৮ হেনগৎখ্রে, মীওই অমা লৈখিদ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৪৭ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ১ পুন্না মীওই ৪৮ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৭, রিমসতা ১৬, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৬, মাইপাকপীদা ১, হিলসাইদতা ১, রেমিদিদা ১, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩, রাজ মেদিসিটিদা ৪, শিজ হোস্পিটালদা ৩, ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## অন-ওথোরাইজদ ওক্যুপেন্টনি হায়বা মীওই ৬৯ তকথোকপীনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরখুল অৱাং মনিং লৈকায়গী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পুন্না লম একর ৪০.৩৬৫কী পাক চাউবা মফমশিংদা অন-ওথোরাইজ ওইনা লৈশিনবনি হায়বা মীওই ৬৯ ইভিক্সন তৌদুনা তকথোকপীখিনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলক্লে।

পিটিসন অসিগী অপূনবা পিটিস্নর ১৫নি। মখোয়শিং অদুনা খুরখুল অৱাং মমাঙ লৈকায়দগী খাঙেম্বম ইবোমচা (৬৪), অপোকপা কে ঐচ অমু, লৈকায়সিদগী ইরুংবম ব্রোজেন (৫৩), অপোকপা আই গুলাপ, য়ুম্লেম্বম টার্জান (৩০), অপোকপা ৱাই কুল্লা, লৌরিয়াম লোর (৬৬), খুরখুল সেবোক লৈকায়দগী লৌরিয়াম শামুঙৌ (৬৫), খুরখুল অৱাং মমাঙ লৈকায়দগী লৌরিয়াম সাজৌ (৬৪), লৈকায়সিদগী ঙাংবম ধরমো (৪৭), অপোকপা এন জি পুন্সি, ফুয়াম রাজেন (৪৩), ঙাংবম বিরচন্দ্র (৪৫), অপোকপা এন জি তিলো, লৌরিয়াম ব্রোজেন (৪৮), অপোকপা এল অমু, ঙাংবম গোপেন (৩৫), অপোকপা এন জি অমু, ঙাংবম প্রমো (৬২), অপোকপা এন জি অকান, ঙাংবম ইতোনস্না (৫৬), অপোকপা এন জি ইবোহল, য়ুম্লেম্বম পালৈ (৭২), অপোকপা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মিরাবাইগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন কেসকী ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্স লৌনবা কম্মিস্নর হাপকদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবী এ কে মিরাবাইগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা সাপম কুঞ্জকেশ্বর এলিয়জ কেবনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমগী চথরক্লিবা ৱায়েলগী শরুক্তা কেস অসিগী ৱিটনেসশিংগী ইভিদেন্সশিং রেকোর্দ তৌনবগীদমক লোকল কম্মিস্নর অমা হাপ্পা নৎত্রগা হাপ্তবগী মতাংদা অর্গ্যুমেন্ট তৌনরবা মতুংদা কোর্টনা তঙাইফদনা লোকল কম্মিস্নর অমা হাপ্পবগী থবক লৌখৎখ্রে।

পিটিস্নর এস কুঞ্জকেশ্বর এলিয়জ কেবনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## পোলিটিকেল পার্টি হায়বসি অকা অকুম লৈগনি : গোবিন্দাস



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমবু খল্লকখ্রবা মতুংদা ঙসি পার্টি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবগীদমক কোংগ্রেস ভবনদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা সী এল পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এ আই সী সীগী মেম্বর গাইখাঙম, কোংগ্রেস এম এল এশিং, এক্স-এম এল এশিং, এম পি সী সীগী থৌ পুবশিং, দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিং অমসুং ফ্রন্টেলশিংগী থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম পি সী সীগী গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টি হায়বসি অকা-অকুম লৈগনি। পার্টি অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা গ্রাস রুট লেভেলদগী শেমগৎকনি। ঐখোয় মশেল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### কোভিদ-১৯না মীওই লাখ ১৭ রোম শিহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী): মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা শিহনখিবা মীগী মশীং ১৬,৯৬,৪৪০ য়ৌহনখিবগা লোয়ননা অপূনবা কেস মশীং ৭৬,৯০৬,৮২৩ শুখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ভাইরস মখল অসিনা শিহনখিবা মী মশীং ১,৪৫,৮০৪ য়ৌখিবগা লোয়ননা অপূনবা কেস মশীং ১০,০৫৩,৮৩২ হেনখ্রে। পুং ২৪গী মনুংদা ভাইরস মখল অসিনা ইন্দিয়া খক্তদা মীওই ২৯১ শিহনখি। অদুগা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং ২২,১৭৩ ওইখি হায়রি।

### OBITUARY



(L) Shri C. Peter Ngahanyui IPS

12th February, 1952 – 21st December, 2011

*As another year comes to past,*
*Memories of you continue to nourish us,*
*Through the endless cycle of dawn and dusk,*
*Constantly guide us as you always do*

*Lovingly,*

***Sujata and Family***

HL-C/177/21

### HL Poll

Q: Manipur leingakna state asida Emergency Response Support System (ERSS) launch toukhiba asi afaba khongthangni khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: State asida hannadagi leiramlaba water bodysing yokkhattuna thamnanaba authorityna matik chaba thabak paikhatli khanbra ?

Yes 17% No 83%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৬.৮৫ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ০২.৮৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৪

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- নহাক্না য়োল্লম্বা হিদাক চারুবদগী লৈশাবী ঐসে কোই শাংনা চোমখৎলক্লে নঙদা হাৎলগা লোইরে।



- হোয়নহৈ মকোই য়াম্না শাংলেদা।





HL-B/6509/9th Dec. to 6th Jan.

HL-B/6641/21






ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস কোর নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫